ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur



লৌমী য়াইফ লূপ (লোয়ালূপ) না শীন্দুনা ইম্ফালগী মেজের খুলদা লৈবা প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা মালেমগী লৌমীশিংগী নুমিৎকী থৌরমদা লৌমীশিংবু লূপকী মায়কৈদগী ইকায়খুম্নবা উৎখিবা

থম্মোয় পাউদম : এদ্যুকেসনগী চৈঙাক লৌথোকখিবদা ☛ লামায় ২
লামায় ৪ ☛ খ্বাইদগী কমপ্লেক্স ওইরবা, মপূং ফারবা খুৎশেমগী...
'পুকচেল শেংদবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী লুচিংবশিং' ☛ লামায় ৫
লামায় ৬ ☛ এদ্যুকেসন হায়বসি খুন্নাই অমগী য়াংলেন শরুনি : দেসাম
ইন্দিয়া অমসুং ইরাননা চহী ১০ গী পেক্ট খুৎয়েক ... ☛ লামায় ৮
লামায় ১০ ☛ অম্ফা কপ ২০২৩-২৪ মে ৩১দগী ওইনা হৌরগনি

পাউচে য়েন্থোকপগী থবক তৌরিবা মণিপুর হোক্কর এসোসিএসনগী মেম্বর লাইশ্রম রোমেনগী মচানুপী মালেমঙানবীনা ক্লাস ত্বেলভকী সাইন্সতা টোপ্পর ওইরকপদা এসোসিএসনগী মেম্বরশিংনা খুদোল তমদুনা পূক্নিং থৌগৎপা



Vol. 48, Issue No. 043 | য়ুমশকৈশা, কালেন ৮নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, May 15, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

### ঈ সী আইদা পুং ৪৮গী মনুংদা ভোট থাদনবগী চাং খঙহনগদবনি হায়না ৱাকৎলক্লে

# সুপ্রিম কোর্টনা মে ১৭তা লৌখৎতুনা খন্নগদৌরি

**ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচএনএস) :** তাঙ্কক তরেৎ থোক্না পাঙথোক্কদৌরিবা ১৮শুবা লোক সভা মীখল ২০২৪গী ঙরাং ফাওবদা তাঙ্কক মরিরক্তা ভোট থাদনখ্রবসু লেমহৌরিবা তাঙ্কক অহুমগী মীখলদা ভোটরশিংনা ভোট থাদনবা হেক লোইবগা পুং ৪৮গী মনুংদা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াদা মীখল পাঙথোকখিবা পোল্লিং ষ্টেসন পূম্নমক্কী ভোট থাদনখিবগী চাং (দেটা) অপলোদ তৌহনবীয়ু হায়না সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা পিটিসন অমা ফাইল তৌরকপদগী এপেক্স কোর্ট অসিনা ৱাকৎ অদু থা অসিগী ১৭তা লৌখৎতুনা খন্নরগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।



ৱাকৎ অসি হৌজিক লোক সভাগী মীখল চথরিঙৈগী চৈরক্তা এসোসিএসন ফোর দেমোক্রেটিক রিফোর্মস (এ দি আর) কৌবা এন জি ও অমনা ফাইল তৌরকখিবনি।

মতাংসিদা পনবা য়াবদি, এন জি ও অসিনা হৌখিবা কুমজা ২০১৯দা পি আই এল অমা থারক্তুনা মীখল পাঙথোকপা পোল্লিং ষ্টেসন পূম্নমক্কী ওইনা ভোট থাদনবা হেক লোইবগা 'একাউন্ট ওফ ভোটস রেকোর্দেদ' শিং ইলেক্সন কম্মিসননা অপলোদ তৌহনবীয়ু হায়না ফাইল তৌরকখিবা অদুগী মখা তারকপদা ভোট থাদনখিবগী চাং পুং ৪৮গী মনুংদা পোল্লিং ষ্টেসন পূম্নমক্কী ওইনা খঙহনবীনবা 'ইন্টরিম এপ্লিকেসন' ওইনা ফাইল তৌরকখিবনি। মেট্টর অসি জষ্টিস সঞ্জিব খন্না অমসুং দিপঙ্কর দত্ত অনীগী বেঞ্চনা ঙসি লৌখৎলকপদা পিটিস্নর ওইরিবা এ দি আরগী মায়কৈদা কাউন্সেল প্রসান্ট ভুসননা লেপখি।

এন জি ও অসিগী ইন্টরিম এপ্লিকেসন অসিনা হায়জরক্লিবদি হৌজিক চথরিবা লোক সভাগী মীখল অসিগী ফেজ খুদিংগী ওইনা ভোট থাদনখিবা হেক লোইবগা ঈ সী আইগী 'ফোর্ম ১৭ সী পার্ট-১' দা রেকোর্দ তৌবগুম্না পোল্লিং ষ্টেসন পূম্নমক্তা থাদনখিবা ভোটশিংগী চপ চাবা মশীং ঈ সী আইনা পুং ৪৮গী মনুংদা অপলোদ তৌহনগদবনি হায়বসিনি। ৱাকৎ অসি লৈবাক অসিদা চৎনরিবা দেমোক্রেসিগী কাঙলোনশিং চুম্না চৎহন্নবনি অমসুং মখল অমত্তগী ইলেক্টোরেল ইরিগ্যুলরিটিশিং থোকহন্দনবনি হায়খি।

অদুগা ৱাকৎ অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবনা মমাঙ থাগী ১৯দা পাঙথোকখিবা অহানবা ফেজগী মীখলদা ভোট থাদনখিবশিংগী চপ চাবা ফিগর অদু ঈ সী আইনা নুমিৎ ১১নি চোন্থরগা এপ্রিল ৩০দা পীখি অদুগা এপ্রিল ২৬তা পাঙথোকখিবা অনীশুবা তাঙ্কক্কী মীখলগী দেটানা নুমিৎ ৪নি চোন্থরগা পীরকখি হায়নসু ফোঙদোকখি।

অদুগা অহানবা তাঙ্কক্তা পাঙথোকখিবা মীখলদা ভোট থাদনখিবগী চাং নুমিৎ অদুগী নুমিদাং পুং ৭তা ঈ সী আইনা লাউথোকখিবা অদুদগী এপ্রিল ৩০, ২০২৪দা থোরকখিবা ঈ সী আইগী চেরোল অমদনা ভোট থাদনবগী চাং চাদা ৫দগীনা ৬ ফাওবগী ...মখা লমায় ৩ কলম ১

### মণিপুর লৈঙাক শেন্দোলনা খ্বাং কোইরব্রা

# লান মমাঙদা রেগ্যুলরাইজ তৌখিবা হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী লেকচরর ৬০৩গী তোলোপ হৌজিক ফাওবা পীরমদ্রে

### চহী ১ তোলোপ ফংলক্ত্রবা ওজাশিংনা স্কুল এদ্যুকেসন দিরেক্টরদগী চপ চাবা ৱাফম খঙননবা নুমিদাং ফাওবা খোঙজং চঙশিনখ্রে



**ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচএনএস) :** হৌখিবা কুমজা ২০২২গী জন্যুৱারী ৮দা পাঙথোকখিবা ষ্টেট কেবিনেট মীফম্না অয়াবা পীরগা মমাঙগী কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী হৌরকখিবা লানগী মমাঙ এপ্রিলদগী রেগ্যুলরাইজ তৌরক্তুনা মসিগী ফংফম থোকপা তোলোপশিং পীফম থোক্লবসু ঙসি চহী ১ ফারক্লবা ফাওবদা তোলোপ ফংলক্ত্রিবা য়াম্লবা ওজা নুপা অমসুং নুপীশিংনা বাবুপড়াদা লৈবা রাষ্ট্রিয় মধ্যামিক সিক্ষা অভিয়ান (আর এম এস এ) গী ওফিসতা থোমজিল্লক্তুনা স্কুল এদ্যুকেসন দিরেক্টরদগী তাংদাংবা ৱাফম অমা খঙননবা খোঙজং চঙশিল্লকখ্রে।

য়াম্লবা ওজাশিংনা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা অদুবু হকথেংনখিবা মীওইশিংনা ফোঙদোক্নরকখিবদা লান হৌখিবা থাগী মমাঙদা রেগ্যুলরাইজ তৌরবা লেকচররশিং অসিগী তোলোপ পীবা হৌগদবা ওইরবসু থংনবা থা মেগী ৩দগী তমথীরবা লান অসি হৌরকখিবনা হীরম খুদিংমক্কী শেন্মীৎলোন অকিবা ফংনা শোকহল্লকপদগী মণিপুর লৈঙাকসু মীগী শেন্দোলনা মখ্বাং কোইরব্রা হায়না হংনরকখি।

খোঙজং অসিদা শরুক য়াখিবা ওজাশিংনা নুংথিল পুং ১ রোম তারকপদগী আর এম এস এ (রমসা) গী ওফিসতা থোমজিল্লক্তুনা দিরেক্টরগা উননবা হোৎনখি। খোঙজং অদু ৱাকৎ খোঙজং ওইনা চঙশিল্লকখি। খোঙজং অদুদগী দিরেক্টরগা অহানবা উনদুনা ৱারী শানবদা নাকল অনীগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরকপা ঙমদবদগী ওজাশিং অদু নুমিদাং পুং ৮ তারকপা ফাওবদা মফম অদুদা মখা তানা ৱাকৎ খোঙজং চথখি।

খোঙজং অসিদা শরুক য়াবা ওজা নুপা অমনা হায়, মমাঙদসু প্রোটেষ্ট ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# 'তুম্নৌপোকপী জুনিয়র হায় স্কুলগী মহৈরোয়শিং ওজা ৫ খক্না তম্বীরি, অপগ্রেদ তৌবীয়ু হায়জবসু তাবীদ্রে'

**ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচএনএস) :**




কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চল্লবসু কুকিশিং খুন্দাদবদগী নেপালি, নাগা, থাঙ্গাল, পাওমৈ, লিয়াংমৈ ফূরুপকী মীওইশিংনা খুন্দারিবা তুম্নৌপোকপীদা লৈরিবা তুম্নৌপোকপী জুনিয়র হায় স্কুল অসি ক্লাস আইট ফাওবগী মহৈরোয়শিং তম্লিবা স্কুলনি অদুবু শুপ্নতগী ওজা ৫ খক্তনা তাকপী-তম্বীরি হায়বগা লোয়ননা স্কুল অসি ক্লাস টেন ফাওবা লৈহনবীদুনা অপগ্রেদ তৌবীনবা অইবা চেরোলশিং পীশিন্দুনা হায়জখ্রবসু ঙসি ফাওবদা তাবীদ্রে হায়রি।

ৱাফম অসি ঙসি সমগ্রা সিক্ষা (ইলিমেন্টরি), মণিপুরনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ষ্টেট লেভেল য়ুনিক সেলিং প্রোপোজিসন (য়ু এস পি) এগজিবিসন-২০২৩-২৪ দা শরুক য়ারখিবা স্কুল অসিগী মহৈরোয়শিংবু লমজিংলকখিবী ওজা মবুপুইনা ইলিজাবেথনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখিবনি।

মহাক্না হায়, স্কুল অসিগী রেগ্যুলর ওজা ৭ লৈরম্বদগী অমা রিটাইয়র্দ তৌখ্রে, অমনা ত্রান্সফর তৌখ্রে। হৌজিক শুপ্নতগী ওজা ৫না ক্লাস আইট ফাওবগী মহৈরোয়শিং তাকপী তম্বীরি। হায় স্কুল অমদা ফাওবা ওজা ১৫ লৈবদা কোন্নদ্রিবনি অদুবু ঐখোয়গী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# মহৈ-মশীন তমহনবগী মিংদা রিলিফ কেম্পশিংদগী অঙাংশিংবু লোনা য়াদবা মওংদা পুথোক পুশিন তৌবীগনু : এম সী পি সী আর

**ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচএনএস) :** মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস (এম সী পি সী আর) গী চ্যেরপর্সন কৈশাম প্রদিপকুমারনা ঙসি থোরকপা চেরোল অমদা হৌখিবা চহী অমা রোম অসিদা মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা থোরকখিবা ঈরাং অসিনা মরম ওইরদুনা অকক্নবা মীতৈ অমসুং কুকি ফূরুপকী অঙাং লিশীং কয়াবু অৱা চৈথেং নংহল্লে। হৌজিক ফাওবা লোইশিন্দ্রিবা ঈরাং অসি মমাঙ চহীগী মে ৩দগী হৌরকখিবনি হায়রদুনা মসিনা মরম ওইরদুনা অঙাংশিংদা শোয়দনা ফংহনগদবা মখোয়গী হকশিং ফংবা ঙমদনা লৈরক্লি হায়রি।

অসিগুম্বা থৌদোক অসি থোরকপদগী কনাগুম্বা লূপশিং অমসুং লন্নাই মীওইশিংনা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌরক্লিবা অঙাংশিংগী মমা-মপাদা অঙাংশিং অসিদা লেম্না মহৈ-মশীন তমহনবা য়াওনা মপানগী ষ্টেটশিংদা লেম্না লৈহনগনি হায়বনচিংবা ৱাফম ফোঙদোক্তুনা থাজহল্লগা ইল্লিগেল ওইবা মওংদা অঙাংশিং পুথোক পুশিন তৌবগী থবক তৌরক্লে হায়রি।

ভেরিফিকেসন তৌদনা অমসুং অঙাংশিংবু অকক্লবা লাইনীংগা মরী লৈনবা মহৈ-মশীন তম্ফমশিং অমসুং রেজিষ্টর তৌদবা হোম/ইন্সটিট্যুসননচিংবদা পুথোক পুশিন তৌবা য়াওরে। থৌওং অসি রাইট টু এদ্যুকেসন এক্টনা পীবা কাঙলোনশিংগী ৱাংমদনি হায়রদুনা মসিমক্না অঙাংশিং অসিবু জুবেনাইল জষ্টিস এক্ট অমসুং আই পি সীগী সেক্সন ৩৭০গী মখাদা চৈরাক ফংবা য়ারিবা চাইল্ড ত্রাফিকিংগী থৌওংশিং থোকহল্লকপদা নত্তনা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা সেপ্টেম্বর ১, ২০১০দা পীখিবা দিরেক্সনগী ৱাংমদসু চথরকপনি হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা থা অসিগী ৪দা নেসনল কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস (এম সী পি সী আর), ন্যু দেল্লীগী মায়কৈদগী অইবা চেরোল অমা পীরক্তুনা অসিগুম্বা ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## মচানুপানা থাঙনা থিনবদা মমা লৈখিদ্রে

**ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুমিদাং পুং ৭.৩০ রোম তারকপদা লম্ফেল পি এসকী জ্যুরিসদিক্সন মনুং চল্লিবা সঙাইপ্রৌ কবুই খুলদা থোকখিবা থৌদোক অমদা মচানুপানা থাঙনা থিনবদগী শোকখিবী মমা লায়কন্নবদা কনবা ঙমদনা লৈখিদ্রে।

লৈখিদ্রবী নুপীদুগী মমিং কামৈ মোধু (৬৫), মপুরোইবা লৈখিদ্রবা গনেশ দাস কৌই। মহাক্কী পুক্তা থাঙনা থিনবদগী ঈ কা হেন্না চৎপনা হানখিবনা লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদবনি হায়রি।

থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মচানুপা সঞ্জিৎ দাস (২৬) লম্ফেল পুলিসনা থাঙগা কোন্ননা ফাগৎখ্রে। অদুগা থৌদোক অসিগী মতাংদা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা লৈখিদ্রবীগী হকচাং পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন তৌনবগীদমক রিমসকী মীরেলশঙদা থমখ্রে।

## হায়ৱে ২দা পোৎ চৈ পুবা গাড়ী ৪৭০ চঙলকখ্রে

**ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচএনএস) :** নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা ষ্টেট অসিগী পুকচাক লম্বী ওইরিবা নেসনল হায়ৱে অনীমক্তা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোকপদা নত্তনা লেন্দস্লাইদনচিংবা থৌদোকশিংসু থোকচিল্লকপদগী মহৌশাগুম্না পোৎ চৈ পুবা গাড়ীশিং চথোক-চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা মায়োক্নখ্রবসু ঙসি অকনবা সিক্যুরিটিগী ঙাকশেল থৌরাং লৌখৎতুনা এন ঐচ-৩৭ (ইম্ফাল-জিরিবাম) লম্বী অমসুং এন ঐচ-২ (ইম্ফাল-দিমাপুর) লম্বীদা তোঙান তোঙানবা পোৎ চৈশিং পুরকপা ত্রক ৪৭০ চঙলক্তুনা ইম্ফাল য়ৌরকখ্রে হায়রি।

ত্রকশিং অসিগী মনুংদা ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদনা ত্রক ২২০ লাক্লগা ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদনা ত্রক ২৫০ লাকখিবনি হায়রি। মহৌশাগা মান্নদনা সিক্যুরিটিগী অকনবা অমসুং অহেনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপদগী ঙসি ফাওবদি থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং মায়োক্নখিদ্রি হায়রি।

ত্রিপুরা জেলদগী লালহৌবা ১ নাম্থোকখ্রে

আগরতলা, মে ১৪ (এজেন্সী): মীহাৎপগী কেস অমগা মরী লৈননা ত্রিপুরাগী সেপাহিজলা দিষ্ট্রিক্তা লৈবা সেন্ত্রেল জেলদা পূন্সিগী ফাদোক লৈরকখিবা এন এল এফ টিগী মেম্বর অমা জেল অসিদগী নাম্থোক্তুনা চেনখ্রে হায়রি। মহাক মমাঙথক্তসু জেলদগী অনীরক নাম্থোক্লগা চেল্লুরবা মীওইনি হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

**HL Poll**

Q : Relief campta leiriba Class XIIgi examination pass touraba maheiroisingda leingakna makha tana lemna lairik tamhanpham thoktabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Meetei khulsing ngakllakliba Army/BSF louthoklaga ARna mahut sinnaba hotnaraklibasina aphaba oirakloi haibada langadra?

Yes 20% No 80%

## অস! লোইরেহে!




# এসিয়ন হায়ৱেগী শীংজমৈ ময়েংবম লৈকায় মপাদা ওইরিবা লম্বীগী ফীভম : লান মনুংদবু লম্বী শেমগদ্রা





শীংজমৈ ময়েংবম লৈকায় মপাদা মে ১২, ২০২৪গী নুমিদাং পুং ১১.১২ তারকপদা ওইখিবা এসিয়ন হায়ৱেগী ফীভম (ওই) অমসুং মে ১৪, ২০২৪গী নুমিদাংৱাইরমদা ওইখিবা শক্তম

বিজয় লাইশ্রম

**ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচএনএস) :** মমাঙ চহীগী মে ৩দগী হৌরক্লগা হৌজিক ফাওবদা লোইশিন্দনা চথরক্লিবা মণিপুরগী লান মনুংদা লৈঙাক্কী শেন্মীৎলোন খম থেংনা শোকচিনখিবগা ইরোয়ননা লান মনুংদবু লম্বী শেমগদ্রা হায়বগী থৌওংদা নেসনল হায়ৱেদগী ফাওবা হেন্দোরক্তুনা এসিয়ন হায়ৱে-১ ওইনবা ফাওবা শেমগৎলক্লিবা ইম্ফালদগী মোরে য়ৌরগা মথং-মথং শেমখিগদৌরিবা হায়ৱে অসিগী শীংজমৈ ময়েংবম লৈকায় মপাদা ওইরিবা হায়ৱেগী ফীভম অসিদি লম্বীসিদা চৎথোক-চৎশিন তৌরিবা মীওইশিংগী বৈতরনি তুরেল ওইরকপগা লোয়ননা শলাক শারে।

শীংজমৈ ময়েংবম লৈকায় মপাগী হায়ৱেগী শরুক অসি মতম খরগী মমাঙদগী হৌরদুনা লম্বী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## লোয়ালূপনা শীন্দুনা মালেমগী লৌমীগী নুমিৎ পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচএনএস) :** হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন লোয়শঙগী ওইবা মিসন ওর্গানিককী থবক থৌরমশিং পায়খৎপা হৌরে অদুগা হায়রিবশিং অসিগী খুদোংচাবা জি আই টেক পায়রবা অমদি শকখঙলবা ফার্মরশিংদা পীরে হায়না লৈঙাক্কী হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন লোয়শঙগী দিরেক্টর ককচীংতাবম দেবদত্তনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি প্রেস ক্লবতা লৌমী য়াইফ লূপ (কংলৈপাক) না শীন্দুনা ৱর্ল্ড ফার্মরস দেগী থৌরম পাঙথোকপদা অথোইবা মীথুংলেন ওইরদুনা দিরেক্টর অসিনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়, অৱাৎপতনা থল্লবা হৌজিক্কী ওইরিবা ফীভমসিদা তম্পাক্তা লৈরিবা লম্ফাং-তুহাঙশিং মশক খঙদোকপগা লোয়ননা রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা মীওইশিংনা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু খঙদোক্লগা থবক পায়খৎনবা হোৎনগদবনি। হৌজিক ফাওবদা রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগীদমক লৌ পরি ১০/২০ পীরগা হায়রিবা মফমশিং অসিদা ফার্মগী প্লান্নিং তৌগদবনি হায়খি। থৌরম অসিদা লোয়ালূপকী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট তৌরাংবম বিরজিৎ, ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## হোক্কর এসোসিএসননা মালেমঙানবীগী পূক্নিং থৌগৎখ্রে

**ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচএনএস) :** ঙরাং কোসেমনা লাউথোকখিবা চহী অসিগী ক্লাস ত্বেলভকী এগজামিনেসনগী রিজল্টদা সাইন্স ষ্ট্রিমদা মণিপুর পূম্বগী মকোক তারকখিবী পাউচে য়েন্থোকপগী শিনফম পায়রিবা মণিপুর হোকর এসোসিএসনগী মেম্বর লাইশ্রম রোমেনগী মচানুপী লাইশ্রম মালেমঙানবীদা এসোসিএসনগী মেম্বরশিংনা ঙমজবা খুদোল পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎপগী অচম্বা থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

খুরাই সাজোর লৈকায়দা লৈবা এল রোমেনগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অসিদা এসোসিএসনগী মায়কৈদগী হোক্কর অমা ওইরবসু রোমেননা মচানুপীগীদমক্তা হোৎনরকখিবা অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকখি। লোয়ননা মহাকী মচানুপী মালেমঙানবীগী তুংগী পূন্সিদা মায় পাকপা ওইরসনু হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

## ইরং তুরেলদা লুপখিবা পুলিস কন্সটেবল শিনা ফংলে

**ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচএনএস) :** ঙরাং নুমিদাং পুং ৭ লোম তারকপদা নোনে দিষ্ট্রিক্টকী খৌপুম পি এসনা কোনবা ইরং তুরেলগী শরুক্তগী লোগী ৱাংমদা নুঙ-লৈঙোই লোন্না পেকপশিং ফানবা চৎখিবা খৌপুম পুলিসকী টিমদা য়াওবা কন্সটেবল অমা খৌপুমগী লুমাংলুং খুল মনাক্তা লৈবা লৈরাইদগী নাম্বুদুনা তুরেলদা তাশিনখিবদগী ইরৈনা চেন্থখিবা অদু ঙসি অশিবা হকচাং ওইনা ফংলে হায়রি।

লৈখিদ্রবা কন্সটেবল অদুগী মমিং থালিখোং থাইলৈ (৩৫) কৌই, খৌপুম পি এসকী মনুং চনবা লুবানলোং খুলদগীনি হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

# মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী ভি দি এফ পর্সনেল অমা রিলিফ কেম্পতা লৈনা লৈনা দ্যুটি চত্তবা মতমদা এঙ্খ্রাং নাপি য়োনবা য়াওরম্লে

### হকথেংনবা পাউদম

*মোরেগী খুঞ্জা অমা*

**ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচএনএস) :** মণিপুর লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈরিবা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী ভিলেজ দিফেন্স ফোর্স (ভি দি এফ) পর্সনেল অমা ওইরবসু চহী হেল্লক্লবা মণিপুরগী লান অসিনা মরম ওইদুনা শেন্মীৎলোন খম থেংনা শোকহল্লবা মোরে তুরেল ৱাংমা ৱার্দ নম্বর ৭তগী থাংজম অচৌবা (অমুচৌ) হৌজিক রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌদুনা লৈরকপদগী দ্যুটি চত্তবা মতমদদি এঙ্খ্রাং নাপি য়োনবা য়াওদুনা হিংনবগী পান্থে থিরম্লে।



হৌজিক মহাক্কী ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা লোয়ননা অকাম্পাৎকী আইদিএল গর্লস কোলেজদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরি। ভি দি এফ পর্সনেল অমা ওইনা মহাক্না

মশাগী চহী ৪০ শুরক্লবা টি ঐচ অচৌবা তৌগদবা দ্যুটি লৈরগনা লৈরে, লৈত্রবদি কোংবা কৈথেলগী মনিং থংবা থোংখোঙদা লৈরিবা মীতৈ ময়েক হায় স্কুলগী মাঙওইননা মহাক্কী লোয়নবী নাওবী লৈমগা পূন্না পোৎফম ফমদুনা এঙ্খ্রাং নাপি অমদি রিলিফ কেম্পতা লৈরিবশিংনা শাবা কেন্দলনচিংবা য়োল্লগা হিংননবগী পান্থে থিহৌরি।

মহাক্কী লোয়নবীগা লোয়ননা এঙ্খ্রাং নাপি য়োনমিন্নরিঙৈদা শানখিবা ৱারীদা মহাক্না হায়, ঐহাক ভি দি এফ পর্সনেল ওইরকপা চহী ১৪ রোম শুরে। তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এদিসনেল এস পি (এল ও) গী টিমদা য়াওবনি। চৎলিবা চহীসিগী জন্যুৱারীদগী মার্চ ফাওবা মোরেদা দ্যুটি তৌখি। (মথং-মথং)

## মরী লৈনদে : কে ৱাই কে এল

**ইম্ফাল, মে ১৪ :** কংলৈ য়াওল কন্না লূপ (কে ৱাই কে এল) গী দেপ্যুটি সেক্রেটরি (পব্লিসিটি এন্দ রিছর্স) এম লোয়া খুমননা থোরকপা চেরোল অমদা থা অসিগী ১৩, নিংথৌকাবা নুমিৎকী পাউচেশিংদা সিক্যুরিটি ফোর্সকী কাঙবু অমনা কে ৱাই কে এলগী মীওই অমা নিংথৌখোংদগী ফারে হায়রিবা অসেম নেতাজি এলিয়জ নেতা (৪০) হায়রিবা মীওই অসিদগী কম্প্যুটর সেট ১ অমসুং মোবাইল ফোন ১ ফাগৎলে হায়রিবা মীওই অসি কে ৱাই কে এলগা করিগুম্বা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে হায়রি।

অসিগুম্না মথোং হুক্তবা, ফনীং-ফনীংবা মীওইশিংবু ফারগা লালহৌবগা মরী লৈনৈ, মীয়াম অমদি লৈঙাক্কী এমপ্লোয়ীশিংদগী, লল্লোন ইতিক তৌবশিংদগী নমদুনা শেল খাই হায়না হেক্তা হায়জিন্দুনা মরাল শীজিনবা অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি ঙসি ঙরাংখক্তগী ৱাফম নৎত্রে। ইন্দিয়ন সিক্যুরিটি ফোর্সকী লূ-তোংদা য়াওরবা চিন থীবগী হৈনবীনি। অসিগুম্বা ওইদবা ঙাঙদুনা মীচম মীয়াম্বু নৈহৎতুনা ওৎপী-নৈবীবগী থৌওং অসিদগী মীয়াম্না চেকশিনবীয়ু হায়রি।

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫